## মালেমগী অঙকপশিং

# কার্লসবাদ কেভর্ন্স নেসনল পার্ক



কার্লসবাদ কেভর্ন্স নেসনল পার্ক অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নেসনল পার্ক অমনি। খা নোংপোক থংবা ন্যু মেক্সিকোগী গ্বাদাল্যুপ চীংদা লৈবা নেসনল পার্ক অসি থেঙ্কস গীভিং দে, খৃষ্টমাস অমদি চহী হৌবা নুমীৎখক নত্তনা চহী চুপ্পা হাংই। কনাগুম্বনা মশাগী অপাম্বা মওংদা কোয়বা য়াই, নত্রগনা ভিজিটর সেন্টরদগী এলিভেটর অমা তোংবা য়াই।

ন্যু মেক্সিকোগী কার্লসবাদতগী খা নোংচুপ লোমদা কিলোমিটর ২৯ (মাইল ১৮) লাপ্পা য়ু এস হায়ৱে ৬২/১৮০ দা পার্ককী চঙফম লৈ। পার্ক অসি কেভর্ন্স হিষ্টোরিক দিষ্ট্রিক্ট অমদি রেট্টলস্নেক স্প্রিংস হিষ্টোরিক দিষ্ট্রিক্ট হায়দুনা নেসনল রেজিষ্টর ওফ হিষ্টোরিক প্লেসেসতা অনীরক মমিং য়াওই। অপুনবা শরুক্কী চাদা ৬০ হেন্না অশুকপা উমংগী শরুক ওইরিবা পার্ক অসিদা অচৌবা কেভ চেম্বর অমা, বিগ রুম অমসুং নেচরল লাইমষ্টোন চেম্বর লৈ। ফুট ৪০০০ (মিটর ১,২২০) শাংবা, ফুট ৬২৫ (মিটর ১৯১) পাকপা অমসুং ফুট ২৫৫ (মিটর ৭৮) ৱাংবা চেম্বর অসি নোর্থ অমেরিকাগী মঙাশুবা খ্বাইদগী চাউবা চেম্বরনি। মালেমগী ওইনদি ২৮ শুবনি। মালেসিয়াগী সরাৱক চেম্বরনা মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা চেম্বরনি।

কার্লসবাদ কেভর্ন্স নেসনল পার্ক অসি গ্রাওন্দ ৱাটর লেভেল মথক্তা, লাইমষ্টোন মপাক অমগী মথক্তা লৈবনি। লাইমষ্টোন মখাদা, কা হেন্না লুথবা লৈনুংদা থাউ মরাং কায়না থোকই। মফমসি মিদ-কোন্টিনেন্ট ওইল ফিল্ডগী শরুক অমনি। মতম অমদা লৈনুংগী থাউ মরক্তগী হাইড্রোজেন সলফাইদ কাপথোরক্তুনা ঈশিংদা তিনখি। হায়রিবা হাইড্রোজেন সলফাইদ (হ২ষ) অদুনা ঈশিংদা ওক্সিজেন (২ঙ২) গা পুল্লগা সলফরিক এসিদ (হ২ষঙ৪) ওইরকখি। সলফরিক এসিদ অদুনা মথকলোমদা কাপখৎলক্লগা লাইমষ্টোন পুম্নমক তুমহনখিবদগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি ওইরকখিবনি।

হৌরক-ৱারী অমগী মতুংইন্না মতম অমদা জিম হ্বাইট কৌবা নুপা মচা অমনা মফমসিদা কোয়বা লাকপদা শুরুং কয়ামরুম য়েংবদগী বিগ রুম, ন্যু মেক্সিকো রুম, কিংস পেলেস, ক্বীন্স চেম্বর, পেপুজ রুম অমসুং গ্রীন লেক রুম্নচিংবগী মমিং থোল্লমখি। টোটেম পোল, ৱিটচ ফিঙ্গর, জাইএন্ট, দোম, বোট্টমলেস পিট, ফেরিলেন্দ, আইসবর্গ রোক, টেম্পল ওফ দ সন অমদি রোক ওফ এসেজনচিংবা শুরুংগী মরু ওইবা মফম কয়াসু মহাক্না মমিং থোল্লম্বনি।

কার্লসবাগ কৌবা জেকোসলোভাকিয়াগী টাওন অমগী মমিং লৌরগা মফমসিগী মিংথোল পীখিবনি। কুমজা ১৯৩২গী মমাঙদদি কনাগুম্বনা কেভর্ন অসি য়েংবা চৎপদা লৈমায়দগী ফুট ৭৫০ (মিটর ২৩০) লুথবা মফম অমদা খোঙনা চৎপগী মথৌ তারম্মী। কুমজা ১৯৩২দা নেসনল পার্ক অসিনা অচৌবা ভিজিটর সেন্টর বিল্ডিং অমা হাংদোক্তুনা এলিভেটর অনী হাপচিনবদগী মীয়াম্না ইৱা-ৱাদনা মথক-মখা চথোক চৎশিন তৌবা য়ারে। অনৌবা ভিজিটর সেন্টর অসিদা কেফেটেরিয়া, ৱেটিং রুম, ম্যুজিয়ম অমদি ফর্ষ্ট এইদ এরিয়ানচিংবা লৈ। কুমজা ১৯৩২গীওক্টোবর ২৫দা প্রসিদেন্ট কেলভিন কুলিজনা প্রোক্লেমেসন অমা সাইন তৌদুনা নেসনল মোন্যুমেন্ট ওইনা লাউথোকখ্রবা কার্লসবাদ কেভর্ন অসি কুমজা ১৯৭৮দা প্রসিদেন্ট জিমি কার্টরনা নেসনল পার্কস এন্দ রিক্রিয়েসন এক্ট সাইন তৌদুনা অনৌবা শরুক কয়া হাপচিনখি।

চহী খুদিংগী মীওই ৪,০৭,২১১ রোম কোয়বা লাক্লিবা মফম অসিদা নুমিদাংৱাইরম খুদিংগী শেকপীনা পাইবগী থৌরম অমা মীয়াম্না খোয়দানা য়েংনৈ। পার্ক অসিদা শুরুং ১১৯ হেন্না লৈবগী মনুংদা শুপ্নগী অহুমখক মীয়াম চঙবা য়াহল্লি। কুম খুদিংগী শেকপী য়াওনা মখল কয়াগী উচেকশিং হেক হেক চাক্তাররিবা মফম অসিদা লৈ মখল কয়াসু শাৎলি।

## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং...

## – জেক দোর্সে –



"ত্বিটর" পুথোকখিবগা লোয়ননা মোবাইল পেমেন্টস কম্পনি "স্কৱার" গী চীফ ইগজিক্যুটিভ ওফিসরসু ওইরিবা জেক দোর্সে কুমজা ১৯৭৬ কী নবেম্বর ১৯দা মিসোরিগী সেন্ট লুইদা পোকখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা কম্প্যুটরদা ঙাওজরকখিবা মীওই অসি ৱা ঙাঙবদা মরৈ তৎপা মরম্না অয়াম্বা মতমদা ৱা কয়া ঙাঙগন্দে। মশানা কন্না হোৎনদুনা স্কুলগী দিবেট কম্পিটিসন্নচিংবদা ৱা ঙাঙবগী অথোই-অহেন তান্নবা থৌরম কয়া য়াওবদগী অকোনবদদি ময়ামগা চপ মান্ননা ৱা ঙাঙবা ঙম্লকখি। থৌদোক অদুদগী মহাক্না হোৎপু হোৎনরবদি ঙমদবা করিসু লৈতে হায়বা পুন্সিগী মমল য়াল্লবা পারা অমা তমহৌখি।

অঙাং ওইরিঙৈদা ন্যু য়োর্ক সিটিগী লাইভ মেপ অমা য়েকপা পামখিবা জেক দোর্সেনা মশাগী চহী ১৪ শুরকপদা অহানবা ওইনা প্রোগ্রামশিংগী মরমদা খঙবা ঙমখি। জেকনা ইনখৎলকপা মতমদা ফাওরকপা তোঙান-তোঙানবা ৱাখল্লোন পুম্নমক বোই মচা অমদা ইশিল্লগা চেৎনা থমজিল্লম্মী। তশেংবদি মহাক বোই অদু পুমকাউ কাউথোক্লুরবনি। অদুবু নোংমা পোৎ-চৈ লোইশিনবদা বোই অদু থেংরকপদগী হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা থাইনগী ৱাখল্লোন পুম্নমক নীংশিংলকখি। নুমীৎতুদা মহাক্না বোই মচা অদু থেংনরমদ্রবদি ঙসি মীয়াম্না পাক শন্না শীজিন্নরিবা 'ত্বিটর' অসি মমিং ফাওবা তারল্লোই।

মহাক্না বোই অদু হাংদোক্তুনা য়েংলুবদগী অরিবা ৱাখল্লোন পুম্নমক নৌহৌনা নীংশিংলক্তুনা মদু পুম্নমক থবক্তা ওস্থোকপদগী 'ত্বিটর' পুথোকখিবনি। কুমজা ২০০৬ কী মার্চ ২১দা মাইক্রোব্লোগীং সার্ভিস 'ত্বিটর' অহানবা ওইনা শেমগৎখি। মীয়াম্না শীজিন্নবা হৌখিবদি চহীদুমক্কী জুন থাদগীনি।

অহানবদা মীয়াম্না 'ত্বিটর' বু কান্নদবা ৱাথি-ৱারেম্নি হায়না লৌরম্মী। জেকনা 'ত্বিটর' হৌদোক্লবা মতুং থা ফাদ্রিঙৈদা কম্পনি অদু হিংহন্নবা পৈশা অমত্তা লৈরমদে। কদায়দগী কমদৌনা শেল লৌশিগে খন্দুনা ৱাখল ফুম্বংনরিঙৈদা নোংমা মীওই অমনা সেন ফ্রান্সিস্কোগী হোটেল অমদা মহাকপু কৌরকখি। মীওই অদু ফ্রেদ ৱিলসন ওইরমখি। মহাক্না দোলর ৫০০,০০০ মতেং পাংলকপদগী 'ত্বিটর' হিংবা ঙমখিবনি। তুংদা মীয়াম্না 'ত্বিটর' শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা স্মার্টফোন পুথোরকপদগীদি ইন্টরনেটকী খুত্থ-ংদা য়াম্না লায়না মেসেজ থাদোক-থাজিন তৌবা য়ারম্মী।

জেকনা 'ত্বিটর' মপুং ফানা চাও-খৎহনবগা লোয়ননা স্কৱার কৌবা প্রোজেক্ট অমসু পায়খৎলম্মী। স্কৱার হায়বসি ক্রেডিট কার্দ মোবাইল পেমেন্ট সিষ্টেমনি। চুথেক নাইবা অখন্নবা রিদর অসি হেদফোন জেক ফাওরগা মোবাইল ফোন মনুংদা ইনশিনগদবনি। মসিগী মনুংদা বেঙ্ককার্দশিং পাবা ঙম্বা মেগনেটিক ষ্ট্রাইপ রিদর অমা য়াওই। মদুগী মতেংনা ক্রেডিট কার্দকী ইনফোর্মেসন পুম্নমক লৌশিনবা ঙম্মী।

কুমজা ২০০৯ গী ওক্টোবর থাদা গুগল অমদি মাইক্রোসোফটকা কোন্ট্রেক্ট অমা সাইন তৌনবদগী 'ত্বিটর' অহানবা ওইনা দোলর মিলিয়ন ২৫ তানবা ঙমখি। হোৎনবা কনবা জেক দোর্সেনা নোংমদা পুং ৮ 'ত্বিটর'গীদমক মতম কায়থোক্তুনা থবক শুরগা স্কৱারগীদমক অতোপ্পা পুং ৮ কায়থোক্লম্মী। মতৌ অসুম্না নোংমদা পুং ১৬ থবক শূবা জেক দোর্সেনা কুমজা ২০১৪ ফাওবদা দোলর বিলিয়ন ২.৪ তান্দুনা মালেমদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা মীওইশিংগী মনুং চনবা ঙমখি।

মহাক হৌজিক ফাওবা ময়ুম পান্দ্রি। মখা থাবা শিন্নীশিংবু নুংশিনা লোয়নবীবা হায়বসিনা কম্পনি অমা চাউখৎহন্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌশিলনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

# কাঙলোন চুম্না মায় তাবগী মওং:



মীওই অয়াম্বনা খন্নে, "মায় তাববু কয়াম লুবা থবক্লো?" অদুবু হীরম খুদিংমক্কী তোঙান-তোঙানবা কাঙলোন লৈজবগুম মায় তাবগী মতাংদসু তঙাই ফদনা ঙাক্কদবা কাঙলোন লৈজৈ। সাপোন নোইদুনা কোঙ্গোল খরা থোকহল্লগা ঈশিংনা থাদোক্লগা "মায় তাবা" হেক্তা কৌবা য়ারোই। মদুদি কোল-লীক ফেঙবা, ফি-রোল শূবদফাওবা তৌরোইদবা থৌওংনি। ইনাক্তা লৈরম্বা, মীৎনা উবা অমদি অফংবা সাপোন অমনা হেক্তমক মায় তাবদুসু অচুম্বা থৌওং নত্তে।

সাপোন খুদিংমক চপ মান্নবা মওংদা শারকপা নত্তে হায়বসি ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নবা য়াম্নমক তঙাই ফদে। খুদম ওইনা হায়রবদা শেগ্রাক্কী উনশাগা মায়দা পাল্লিবা উনশাগা মান্নদে। মরম অদুনা হকচাং সাপোনদি হকচাংদতা নোইগদবনি, মায়দা খক নোইরোইদবনি। অমেরিকান একাদমী ওফ দর্মাটোলোজিগী পাউতাক মতুং ইন্না মায় তাবগীদমক্তদি ময়াক চম্বা ফেশ-ৱাশ অমা শীজিন্নবা মথৌ তাই। মী-মীগী উনশা মখল খেন্নবা মরম্না মায় তাবা অমদি মায়গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মওংসু খেন্নে। নোর্মেল, দ্রাই, ওইলি অমসুং কম্বিনেসন হায়দুনা তোঙান-তোঙানবা উনশাগী মখল খরা লৈজরবসু মীপুম খুদিংমক্না লৌখৎপা য়াবা থৌরাং খরদা খঙমিন্নসি:

❖ মায় তাবা মতমদা শম ৱাংনা পুনখৎতুনা শম্না অমফাওবা মায়দা থেংহল্লোইদবনি।

❖ নুমীৎ চুপ্পা মখল খুদিংমক্কী পোৎ-চৈ পায়রিবা খুত্তা মহীক, অমোৎপা অমদি থাউরেক্লচিংবা ফত্ত-হৌদি কয়ামরুম পল্লকপা মরম্না মায় তারমদাইদা খুৎ-শা শেংনা হামদোকপা মথৌ তাই।

❖ হান্না য়েকশিন-তৈশিনখিবা মেক-অপ পুম্নমক শেংনা লৌথোক্লবা মতুংদা মায় তাগদবনি।

❖ লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং চাইশিল্লগা মায়গী শরুক পুম্নমক হান্না চোৎহনগদবনি। কা-হেন্না শাবা ঈশিং শীজিন্নবদি য়াদে। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা তুখোঙ মনুং ফাওজিল্লগা অমোৎপা পুম্নমক লৌথোরকই। মরম অদুনা মতাং অসিদা ঈশিং অঙৈংবা শীজিন্নরোইদবনি।

❖ মথংদা ময়াক চম্বা সাপোন নত্রগা ক্লিঞ্জর অমা মায়দা তৈশিল্লগা খুৎশা খক্তনা মায়গী শরুক পুম্নমক তপ্পা-তপ্পা নোইদুনা মসাজ তৌগদবনি।





❖অমোনবা ফি নত্রগা লশিং মচেৎ অমনা তপ্পা-তপ্পা নান্দুনা মায়দা পকপা কোঙ্গোল তৈথোক্কদবনি। মসিনা অশিবা উনশাগী সেলশিং লৌথোকপদা মতেং পাংই।


❖ মথংদা ফেসিয়ল স্ক্রব অমা তৈশিল্লগা মায়দা তপ্পা-তপ্পা নোইদুনা অশিবা উনশাগী সেল পুম্নমক লৌথোকপা য়াই।

❖অরোইবা খোঙথাং ওইনা অঙৈংবা ঈশিংনা মায় শেংনা তাথোকপা য়ারে। মসিনা ঙশায় লাওথোকহনখিবা তুখোঙ অদু অমুক খুজিলহনগনি। অদুবু কা-হেন্না ঈংবা ঈশিংসু শীজিন্নরোইদবনি।







Title: Scenery
By: Preety Thoudam
Class: VI Sec: Roll No. 43
School: Heritage Convent



Title: Mountain
By: Elikson
Class: II Sec: Roll No. 2
School: Kids' Foundation




Title: Flower
By: S. Laiza
Class: I Sec: Roll No. 32
School: Shishu Nistha Niketan




Title: Octopus
By: N. Bidyasagar
Class: IV Sec: Roll No. 15
School: Laijing Ningthou Jr. High School



Title: Children Park
By: Pritika Yumkhaibam
Class: III Sec: Roll No. 3
School: Bal Vidya Mandir, Takhel



Title: Scenery
By: Soubam Lamjingba
Class: K.G Sec: White Roll No. 14
School: Lee Faith School



Title: Scenery
By: Ch. Malemnganba
Class: VI Sec: Roll No.25
School: Regular Englisg Hihg School



Title: Morning Scenery
By: Lamjingbi Yumnam
Class: Sec: Roll No.
School: Grace Reach Academy